**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-03-2025)**

**জজ (এল)ঃ** মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা আইনগী থবকশিং করমা পায়খৎলি অমদি ইরাংনা শোকহল্লবশিং হকথেংননা য়েংশিন্নবা সুপ্রিম কোর্টকী জজ তরুক মনিপুরদা হয়েং লাক্কদৌরি।

জষ্টিস-বি.আর. গভাইনা লুচিংবা জর্জশিং অদুদি-সুরিয়া কান্ত, বিক্রম নাথ, এম.এম. সুনদ্রেস, কে.ভি. বিশ্বনাথন অমদি এন.কোতেশ্বরনি। মখোয়না হয়েং রাজ্য অসিদা হেক থুংবগা চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা জিলাগী সদভাবনা মান্দবতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লিগেল এদ কেম্প হৌদোক্কনি অমদি রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিংসু খুৎশিন্নগনি।

মদুগী তুংদা, বিষ্ণুপুর জিলাদা লাক্তুনা মোইরাং কলেজতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতসু তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোক্কনি। লোয়ননা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদবা মনিপুর হায় কোর্ট হাংদোকখিবা চহি ১২ ফাবগী থৌরমদসু শরুক য়াগনি।

**পোইত্রি (এল)ঃ** মালেমগী শৈরেং নুমিৎ ঙসি পাঙথোকখি। মণিপুরদসু য়ুনিভর্সিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মহৈতম্ফমশিংদা নুমিৎ অসি পালন তৌখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিস এন্দ কলচরেল ষ্টদিজনা শিন দুনা নুমিৎ অসি য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভি.সি. কোর্ট হোলদা পালন তৌখি। থৌরম অদুদা ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্র, তামিল য়ুনিভর্সিতিগী প্রোফেসার ওইরম্বা ৱার্ল্ড তামিল শঙ্গমগী হান্নগী দিরেক্তর ডাঃ কে. পসুমপন শরুক য়াখি।

ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিনসু শিন্দুনা মালেমগী শৈরেংগী নুমিৎ য়ুনিভর্সিতি অসিগী মল্টিপরপজ হোলদা পালন তৌখি। শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকপদা শৈরেংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়বা হীরমদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসনা শিন্দুনা পাঙথোকপা পালন থৌরম অসিদা সাহিত্য একাদমি এৱার্দ ফংখ্রবা মীওই কয়ানা শৈরেংশিং পাথোকখি।

থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী স্কুল ওফ হ্যুমেনিতিজগী দিন ওইরিবা প্রোফেসার এস. লনচেনবা অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিসকী হেদ ডাঃ আর.কে. সংসারি শরুক য়াখি।

সাহিত্য থৌপাং লুপনা শিন্দুনা ইম্ফালগী মণিপুর প্রেস ক্লবতা মালেমগী শৈরেগী নুমিৎ পালন তৌখি। থৌরম অদুদা গোপাল শর্ম্মা এৱার্দ লান্থোকপদা নত্তনা থোকচোম দোলরসেননা ইবা ‘উতাংবীগী লমদমদা’ হায়না মীংথোনবা লাইরিক অমসু ফোংখি। লোয়ননা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী তাবুংখোক্তসু নুমিৎ অসি পাঙথোকখি।

**কাউ (এল)ঃ** আই.সি.এ.আর. ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র, কে.ভি.কে. ইম্ফাল ৱেষ্ট, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, তেংনৌপল অমদি উখ্রুলনা শিন্দুনা ঙসি নোংমগী ওইবা জাতি থাক্কী ৱার্কশোপ অমা লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর. কে.ভি.কে. ইম্ফাল ৱেষ্টতা পাঙথোকখ্রে।

পাম্বীগী মখলশিংবু ঙাক শেনবা অমদি লৌমীশিংদা হেন্না শক্তি পীবা হায়বা হীরম অসিদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অদুদা তোঙান তোঙানবা জিলা তরেৎতগী লাকপা লৌমীশিংনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরা লৈননা ৱা ঙাংবদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ময়াংলম্বম রাজকুমারনা হায়-খুন্নাই অমগী অহোংবা লাকপা হায়বসি লৌউ শিংউ, সার্ভিস সেক্তর অমসুং পোৎথোক পুথোক্লিবশিংগী লমদা চাউনা অহোংবা লাকই। মহাকা হায়-লমদম অসিগী মীওই খুদিংমক চহি ৬০ দগী ৭০ মমাংদদি লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা থবক তৌরম্মী। অদুবু,

মতমগী অহোংবা মতুং ইন্না লৌউ শিংউ অমদি মসিগা মরী লৈনবা থবক তৌবা মীশিংগী চাং হন্থরক্লি।

থৌরম অদুদা, আই.সি.এ.আর. মনিপুরগী সাইন্টিষ্টশিং য়াওনা এক্সপার্টশিংনা মনা মশিং অমদি পান্থীশিংগী মখল করমা খন্দোক্কদগে লোয়ননা রেজিস্তার তৌবনা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**চুরাচান্দপুর (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী লানবান রিলিফ কেম্পতা লৈবা চহি ৯ লোম শুরবী নুপীমচা অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিবা ফংলে হায়রি।

ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউমী-ফ্রান্সিস সোঙাতানা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা চুরাচান্দপুর ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

মীশি অসিবু তোঙান তোঙানবা লন্নাই লুপ অমদি মহৈরোইশিংগী লুপশিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**ভিক্সিত (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাদা ঙসি ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৫ পাঙথোকখ্রে। ৱান নেসন, ৱান ইলেক্সন পেবিং দা ৱে ফোর ভিক্সিত ভারত হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: এল. অংশিম দংশাৱা অমদি জেট.ই.ও. এন. অবোনপৌ খৃষ্টতোফর শরুক য়াখি।

থৌরম অসি চান্দেল জিলাগগী কোমলাথাবীদা লৈবা সাউথ ইষ্ট মনিপুর কলেজতা চহি ১৮ দগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী ওইবা জিলা থাক্কী ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ঙসি পাঙথোকখ্রে।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** ঐখোয় মীওইবনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা উমং কোকথোকপগী চৎনবী অসি হোংদোকসি, মসিগী মহুৎতা

য়ারিবমখৈ উমং কন্নবা হোৎনশি হায়না ফোরেষ্টকী প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারবেটর-অনুরাখ ভাজপায়না হায়রি।

ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দেদা উমং অমসুং চিঞ্জাক হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা মালেমগী উমং কনবা নুমিৎ থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মহাকা হায়-ঐখোয় খুদিংমকা য়ারিবমখৈ অশংবা উপাল ৱাপাল থাসি। হিংনবগীদমক মীওইবনা উপাল-ৱাপাল তঙাইফদে। উমং লৈত্রবদি চিঞ্জাক ফংবা ৱানা থোক্কনি।

থৌরম অদুদা ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি-অরুন কুমার সিনহা অমদি এদিস্ননেল প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-সোরৈফি বাশুম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা বন্ধন বিকাশ কেন্দ্রশিংনা স্তোলশিং হাংদুনা উমংগী পোৎথোকা শেন্বা চিঞ্জাকশিং, ইমুং মনুংনা শিজিন্নবা পোৎলমশিং য়োনখি।

পালন থৌরম অসি সি.এস.আই.আর. নোর্থ ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেকোলোজি অমদি অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) মনিপুরনসু শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবা নান্দৈবম লৈকাইদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা হান্নগী কেন্দ্রগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জন অমদি সি.এস.আই.আরগী চীফ সাইন্টিষ্ট ডা: ঐচ. বিরকুমার শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রঞ্জননা হায়-উমং হায়বসি লাইরিকগুম্বনি। মসি কনাগুম্বা অমা হেক্তনা হাংদোক্লগা মসিদগী তোঙান তোঙানবা লৌশিং লৌবা য়াই। মহাকা হায়-মনিপুরদা মখল মখা কয়াগী পাম্বীশিং মতম মতমগী ওইনা মরাং কায়না ফংলি। তুংদা হৌরক্কদৌরিবা মীরোলনা মতৌ তমহৌনবা  হৌজিক লৈরিবা মীরোলনা উমংবু ঙাক শেন্দুনা থম্বা তঙাইফদে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি তমেংলোং জিলাগী তামৈ রেঞ্জতসু মালেমগী উমং কনবা নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মহৈরোইশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা খোঙচৎ অমা চৎখি।

লোয়ননা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মীয়ামবু উমং কনবগী মতাংদা ভাব তামীন্নবা অমদি উ চারাশিং থাবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**বোসেম (এল)ঃ** পারখ-এন.সি.ই.আর.টিগী মীৎয়েং মখাদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুর (বোসেম) না শিনদুনা নুমিৎ মরিনি চথ্থগদবা ৱার্কশোপ ঙসিদগী বোসেমগী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকেখ্রে।

কম্পিটেন্সি বেজ ক্বোইসন বেঙ্ক দিবলপমেন্ট হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা ৱার্কশোপ অদুদা শরুক য়ারদুনা বোসেমগী চেয়ারমেন-অকাম জয়কুমারনা হায়-বোসেমগী অনৌবা ক্বেইসন মওং অমা পুথোক্কুনা মহৈরোইশিংদা হেন্না ফবা মহৈ পীবা ঙম্লগনি। মহাকা হায়-হৌজিক লৈরিবা পরিক্ষাগী ৱাহং হংবগী মওং অসি হেন্না অনৌবা মওং অমদা শেমদোক শেমজিন তৌদুনা মহৈরোইশিংদা হেন্না কান্নবা পীনবগী পান্দমদা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি। লাক্কদৌরিবা চহি ২০২৬ কী পরিক্ষাশিংদা অনৌবা মওংগী ৱাহংশিং হংনবা পান্দম থল্লি।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বোসেমগী সেক্রেটরি-এস.জিতেনলাল অমদি ইগজামিনেসন কন্ট্রোল্লর-অয়াম থোই শরুক য়াখি।

**সিএসএ (এল)ঃ** ওইল ইন্দিয়া গারভেজ ই-রিক্সোগী কোরপোরেট সোসিএল রেসপোন্সিবিলিতি (সি.এস.আর) স্কিমগী মখাদা ঙসি তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংদা ফত্ত-হাউদি খোমজিন্নবা ই-রিক্সোশিং য়েন্থোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোংবদা লৈবা হান্নগী কেন্দ্রগী মপানল থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে. রঞ্জনগী ময়ুমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা ই-রিক্সোশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। মসিগী পান্দমদি, অকোইবগী ফিভম লু-নান্না থমবা অমসুং অমোৎ অকায় লৈহন্দবা লমদম অমা ওইহন্নবনি।

**কোনুং (এল)ঃ** থা অসিগী ২৩ দগী হৌদুনা নুমিৎ মঙানি চুপা পাঙথোক্কদৌরিবা

কবুই খৌশারোল ৱার্কশোপ কপ ট্রেন্নিং কেম্প অসিদা খৌশারোল ৯ হেন্না লৈরিবা খৌশারোল ময়ামগী মনুংদগী অহানবা ওইনা কবুই খৌশারোলগী তোপ তোপ্পা খৌশাশিং সনা কোনুংগী মখাদা থাং-তা লোইশঙনা পাঙথোক্কনি। মসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা থাং-তাগী মহৈশঙগী শিন্তাকপাশিংনা শরুক য়াগনি। থাং-তাবু পামজবা মীওইশিংনা থৌরম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়না থাং-তা লোইশঙ সনা কোনুংনা হায়রি।

**ওবিৎ(এল)ঃ** অকাশবানি ইম্ফালগী ঈশৈ ময়েক ইবা অমসুং শৈরেংবা-ও.সি. সমরেন্দ্র ঙরাং মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মশাগী চহি ৫৫ শুখ্রে।

মহাক বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনাম মমাং অচংবম লৈকাইদগীনি। মহাক অকাশবানি ইম্ফালদা তোঙান তোঙানবা মমিং লৈরবা ঈশৈ কয়া ইরমখি অমসুং শৈরেংবসু ওইরমখি।

মহাকা লৈখিদবদা শৈরেংবশিংগী অপুনবা লুপ-সালনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

**টিবি ঃ** লৈবাক অসি চহি অসিগী মনুংদা টি.বি. লায়না লৈতদবা লমদম অমা ওইহনবা ঙমবা খোঙজেল য়াংনা চংশিল্লি হায়না সরকারনা হায়রি।

লৈবাক অসিদা টি.বি. লায়না অসি ইং ২০১৫ দা মীওই লাখ অমদা ২৩৭ নারম্বা অদু ২০২৩ দদি মীওই লাখ অমদা শুপতগী মীওই ১৮৯ তমক নাবা থেংনখি। মসিনা তাকপদি মালেমগী ওইনা য়েংনবদা লৈবাক অসিদা শরুক অনি হেন্না লায়না অসি নাবা হন্থরে।

লোক সভাদা হংল্লকপা ৱাহংগী অমগী পাউখুম পীদুনা হকশেল রাজ্য মন্ত্রি-অনু প্রিয়ো পতেলনা হায়-লায়না অসিনা শিবগী চাংসু চাং য়ামা হন্থরে। ২০২৩ দা লায়না অসিনা শিখিবগী চাং ২০১৫ দা শিখিবগী চাংদগী চাদা ২১ হেন্না হন্থরে।

**এগ্রী ঃ** কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ অমসুং ফামরস ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়রি-সংসদতা লৌউ শিংউগী ৱাফমশিং খন্নবা য়াহনবীয়ু। মসিনা লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎনবগী তঞ্জা ফংহন্দুনা লৌমীশিংবু মাঙলোমদা চংশিন্নবা লম্বী য়াৎলসি।

সংসদকী মপালদা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী চৌহাননা হায়-কেন্দ্র সরকারনা সংসদতা লৌমীশিংগী ৱাফমশিং খন্ননবা মতম পুন্বদা শেম শাদুনা লৈ। মোদি সরকার অসিনা লৌমীশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা মফমদা থল্লি।

**জল ঃ** জল জিবন মীসনগী মখাদা লৈবাক অসিগী য়ুমথোং কোতি ১৫ লাখ ৫২ হেনবদা অফবা থকবা ঈশিং সরকারনা ফংহনবা ঙমলে হায়রি।

লোক সভাদা দিমান্দ ওফ গ্রান্ট খন্নবদা কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি-সি.আর. পাতিলনা খুল্লকপা পাউখুম অমদা হায়-২০১৯ দা হৌদোকখিবা জল জিবন মীসন অসি মতম অদুদা শুপগী খুঙ্গংগী য়ুমথোং কোতি অহুমখক্তমক থকবা অফবা ঈশিং ফংহল্লমখি। মন্ত্রিনা হায়-চহি খুদিংগী অঙাং লাখ অমা লিশিং ৩৬ থকবা অফবা ঈশিং ফংদবনা মরম ওইদুনা শিরিবা অসি লৈবাক অসিদা থকবা অফবা ঈশিং মরাং কায়না য়ুমথোং খুদিংদা ফংবা ঙম্লবনিনা শিবগী চাং অসি হন্থরগনি।

**পোলো (এল)ঃ** ৩৭ শুবা এন. হজারি এন্দ ডাঃ এন. তোম্বী ষ্টেট পোলো তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেচটশিংদা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) বু পাঞ্জল ৮-৫ দা, এক্স-পোলো ৱাংখৈনা চিংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালবু পাঞ্জল ৮-৭ তা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সেনিয়ার ৱিমেন্স ৱান ডে ট্রোফি ২০২৪-২৫ গী ওসি সেদোগ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা থাউ ডব্লিয়ু. থাংমৈবন্দনা পি.পি.আর.সি. ডব্লিয়ুবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট (এল)ঃ** অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিয়েল টি-ট্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ওসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু. লালাংবুংনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দবু ৱিকেট ৫ দা, নপসা খা ইম্ফালনা টি.সি.এম.দি.সি. থোংজবু রন-৫০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** ১৭ শুবা মনিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৪-২৫ গী ওসি আর্টিসিফিএসিএল তর্ব গ্রাউন্দ লমলোং থোংখোংদা শান্নখিবা মেটচশিংদা-মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবনা মিলন এফ.এবু পাঞ্জল ৪-১ দা, সৈনিক স্কুল ইম্ফাল ওল বোইজ ফুটবোল ক্লবনা কৈনৌ লাইব্রেরী এন্দ স্পোর্টস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৩-২ দা, ক্লাসিক ফুটবোল একাডমীনা সঙাই হেরোজবু পাঞ্জল ২-০ দা, টিদিম রোড এঠলেটিক য়ুনিয়ননা ক্রাউবু পাঞ্জল ২-১ অমদি মনিপুর য়ুনাইটেদ এফ.এনা অনৌবা ইমাগী মঙালবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অহুমশুবা অন্দর থারটিন ওফ লেট নমদিহিয়ামাং ফাউমৈ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ওসি শান্নখিবা মেটচতা-য়ঙ ফুটবোল ক্লবনা ডব্লিয়ু.পি.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

**হেন্দবোল (এল)ঃ** ৪৭ শুবা ষ্টেট লেবেল জ়নিয়ার বোইজ এন্দ গালর্স হেন্দবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ওসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা এন.এস.য়ুনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ২৪-১৬ তা, ও.ৱাই.সিনা এম.আর.সিবু পাঞ্জল ১২-১১ দা, এম.এস.য়ুনা আই.এম.সিবু পাঞ্জল ১২-১০ দা,

ৱাই.এল.কেনা সি.ৱাই.দি.ও.এলবু পাঞ্জল ২২-৮ দা, কে.ভি.ডব্লিয়ু.এনা এম.আর.সিবু পাঞ্জল ২৬-৫ দা অমদি ৱাই.এল.কে.না ই.এস.য়ুবু পাঞ্জল ১৩-৩ দা থোইখ্রে।

অদুগা, নুপীগী মেটচশিংদনা-ৱাই.এল.কেনা এম.আর.সিবু পাঞ্জল ১৩-২ দা, কে.ভি.ডব্লিয়ু.এনা কে.কে.এল.ৱাই.দি.ওবু পাঞ্জল ১৪-৯ দা থোইখ্রে।